

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটা*

*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হদ্দর্সফিল্ডগা শান্নখিবদা টোটেনহাম হোটস্পনগী মায়কৈদগী হেটট্রিক পাঞ্জল চনখিবা লুকাস মৌরা*



## মণিপুরগী নুপী বোক্সর মিনা কুমারী মাইস্নামনা কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ঃ*

জর্মনিদা পাঙথোকপা কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিংগী নুপীগী কেজি ৫৪ গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী বোক্সর মিনা কুমারী মাইস্নামনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৪ গী ফাইনেল বাওটতা মণিপুরগী বোক্সর মিনা কুমারী মাইস্নামনা থাইলেন্দগী বোক্সর মাচাই বুনিয়ানুটপু মায়থিবা পীরল্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কেটেগোরি অসিদা বোক্সর কয়া লাকখিদবনা মরম ওইরগা মণিপুরগী বোক্সর মিনা কুমারী দাইরেক্ট ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপনি।

নীংশিংবা য়াই মিনা কুমারী কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা নেসনেল টাইটল অহুল্লক ফংবা ঙমখ্রে। ষ্ট্রান্দজা কপ্তা গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুগী মতেংনা কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিং টুনামেন্ট অসিগীসু গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড য়ুঠ চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সাক্সিনা কেজি ৫৭ তা শান্নদুনা ঙসি থিন্নখিবা ফাইনেল বাওটতা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা অনীরক সিলভর মেডল ফংখিবী আরিস বোক্সর মাইকেলা ৱালসনা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়ান ওপন গোল্ড মেডালিষ্ট পৱিলাও বাসুমাটারীনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিগী ফাইনেল বাওটতা চাইনাগী বোক্সর চেংয়ু য়াংনা মায়থিবা পীরম্বদগী মহাকসু সিলভর মেডল ফংলগা লোইশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সরশিংগী মনুংদা কেজি ৫১ দা শরুক য়ারিবা পিঙ্কি রানি লোয়ননা কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা পরভিন ঙরাং পাঙথোকখিবা মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ৫ ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, জর্মনিগী সিটি হালেদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কেমিষ্ট্রি কপ্তা ইন্দিয়ানা বোক্সর ৭ শরুক য়াহনবদা মেডল ৬ লৌবা ঙমখি।

কেমিষ্ট্রি কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা কেজি ৫২ গী কাঙলূপ্তা শান্নরিবা গৌরভ সোলানকি অমদি কেজি ৫৬ কী কেটেগোরিদা শান্নরিবা মোহমদ হুসামুদ্দিননা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোক্সর ওইবা ঙমখিবনি।



*কোলোন ৱার্ল্ড কপ বোক্সিংগী নুপীগী কেজি ৫৪দা গোল্ড মেডল লৌখ্রবী মিনা কুমারী মাইস্নাম (ময়ায়)*

## পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী সিঙ্গাপোর ওপনদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে

*সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ১৩ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চত্থরিবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ২শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাগী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিহৌখি।

অহানবা গেমদা জপানগী ওকুহারানা ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু য়াম্না লাকচনা পোইন্ট ২১–৭ দা লায়না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা সিন্ধগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু ওকুহারানা লাকশিনবা ঙমখিবদগী গেম অদুসু ২১–১১ দা থোইরল্লগা ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ৩শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু গেম অহুম চঙনা অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–২১, ২৪–২২, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটা অমদি ৭শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংগা লম্বা তৌনরগনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরল্লবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৭, ২২–২৪, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র টাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদানা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ অসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানগা শান্নরগনি।

জপানগী টাকেসি কামুরা অমদি কৈগো সোনোদানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমদি কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোবু ১৩–২১, ২১–১০, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী মোহমদ অসান অমদি সেটিয়াৱাননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেনবু ২১–১১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলস ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ জপানগী মায়ু মাটসুটোমো অমদি ৱাকানা নাগাহারানা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম জিওং অমদি কোং য়োংগা শান্নরগনি।

জপানগী পেয়র মায়ু অমদি ৱাকানানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ অতোপ্পা জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমদি সায়াকা হিরোটাবু ২১–১৮, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম অমদি কোংনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী পেয়র লিয়ু জুৱানজুৱান অমদি জিয়া য়ুটিংবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী দেটচাপোল পুৱাভারনুক্রো অমদি সাপসিরি টেরাট্টানাচাইনা মালেসিয়াগী পেয়র টান কিয়ান মেং অমদি লাই পৈ জিংগা শান্নরগনি।



*নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল শান্নগদৌরিবী জপানগী ওকুহারা (ওই) অমদি চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং*

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ২৭শুবা লীগ মেটচা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মুম্বাই, এপ্রিল ১৩ঃ*

মালেমগী লৈবাকশিংদা পাঙথোকখিবা টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৭শুবা লীগ মেটচতা রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

২৭শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মুম্বাইনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৮৭ লৌখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী ইন্নিংস হৌবদগী ফজরকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা অমদি ক্বিন্টন দি কোকনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৯৬ লৌরমখি। রোহিট শর্ম্মা বোল ৩২ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন সুরিয়াকুমার যাদবসু অপুনবা স্কোর অদুদা রন ১৬ হাপচিল্লল্লগা আওট ওইখি। মমাঙগী মেটচতা ফজখিবা কৈরোন পোলার্দ শুপ্নগী রন ৬ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

ওপনর ক্বিন্টন দি কোক অমদি নৌনা চঙলকখিবা হর্দিক পান্দিয়ানা টিমগী ইন্নিংস অদু মখা তানা পুখৎতুনা অপুনবা রন ১৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

ওপনর ক্বিন্টন দি কোক বোল৫২ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ৮১ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা হর্দিক পান্দিয়ানা আওট ওইদনা বোল ১১ মায়োক্নবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৫ তুবদা রন ১৮৭ লৌবা ঙমখি।

রাজস্থান রোয়েলসকী বোল্লিংদা জোফ্রা অচরচরনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটসমেন ৩ আওট তাহন্দুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি।

রাজস্থান রোয়েলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৮৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

রাজস্থান রোয়েলসকী ইন্নিংসসু হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপন অজিনক্য রহানে বোল ২১ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৩৭ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সঞ্জু সামসনগা অতোপ্পা ওপনর জোস বট্টলরগা পার্টনর ওইদুনা রন ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। জোন বট্টলরনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৪৩ মায়োক্নবদা সিক্স ৭ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৮৯ লৌরল্লগা আওট ওইখি। সঞ্জুসু বোল ২৬ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩১ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন শ্রেয়াস গোপালনা আওট ওইদনা রন ১৩ লৌরমদুনা মেটচ অদু রাজস্থান রোয়েলসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা কোলকটাদা লৈবা ইদেন গার্দেনদা শান্নখিবা ২৬শুবা লীগ মেটচ অমদা দিল্লি কেপিটেলসনা কোলকটা নাইট রাইদর্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী ইন্নিংস অদুদা ওপনর সিখর ধৱননা বোল ৬৩ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ১১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৯৭ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।



| ক্রোসৱার্দ ১৩০ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | I | D | E | D | ■ | A | P | E | R | ■ | A | C | R | E |
| S | L | A | V | E | ■ | P | A | N | E | ■ | P | L | E | D |
| E | L | L | E | N | ■ | I | D | E | A | ■ | R | O | B | E |
| A | S | I | N | I | N | E | ■ | ■ | S | L | O | G | A | N |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | O | C | C | A | S | I | N | ■ | ■ | ■ |
| C | A | N | S | ■ | R | E | L | I | E | F | ■ | E | A | R |
| A | B | E | T | ■ | ■ | ■ | E | N | S | E | M | B | L | E |
| N | O | V | A | ■ | S | L | A | T | S | ■ | O | B | O | E |
| O | V | E | R | S | E | E | R | ■ | ■ | ■ | D | E | N | S |
| E | E | R | ■ | E | R | N | E | S | T | ■ | E | D | G | E |
| ■ | ■ | ■ | D | E | P | O | R | T | E | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | T | T | I | R | E | ■ | ■ | A | D | A | M | A | N | T |
| W | H | O | A | ■ | N | E | A | R | ■ | S | O | R | E | R |
| E | A | R | N | ■ | T | A | R | T | ■ | E | L | I | T | E |
| D | I | N | E | ■ | S | U | E | S | ■ | L | E | A | S | E |

## ইন্দিয়াগী টিম এপ্রিল ১৫ দা লাওথোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ঃ*

ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ুম্থু ওইরগা মে ৩০ দগী জুলাই ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট স্কৱাদ থা অসিগী ১৫ দা লাওথোক্লগনি।

ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসি এপ্রিল ২৩ দা লাওথোক্কদবনি। অদুবু বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই) না নুমিৎ ৮ নি ঙনখৎনা লাওথোক্লবা লেপখিবনি।

ইন্দিয়ান সেলেক্টরশিং অদু এম এস কে প্রসাদনা চীয়র লৌরগা মুম্বাইদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা নহা বোক্সরশিং ফজরক্কনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা এপ্রিল ১৬ তগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোক্সরশিংনা ফজবা ঙমদুনা মেডল হেন্না লৌরক্কনি হায়না চীফ কোচ মোহমদ আলি কামারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম মথং চয়োলগী অঙনবা শরুক্তা খোঙশাল্লগনি হায়রি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মকোক থোংবা বোক্সর কয়া অমা য়াওরি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী বোক্সরশিংগা লম্বা পাবদা অরাইবা অমদি ওইরোইদৌরি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৭ গী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৪ ফংবা ঙমখি। ইদিসন অসিদা গোল্ড মেডল ফংখিবসি কেজি ৪৮ দা শান্নরিবা এম সি মেরি কোম ওইখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৪৮গী কেটেগোরি লৈতবা মরম্না মেরি কোমনা কেজি ৫১ দা শান্নবা মথৌ তারি। মসিগী ট্রেনিং তৌগদবা লৈবনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেরি কোম শরুক য়ারোইদৌরি।

মেরি কোম শরুক য়াদবা অসিনা টিম অসিদা অচৌবা চৈথেং অমদি পীরগনি। অদুবু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা বোক্সরশিংনা মেডল হেন্না পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চীফ কোচ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা মেরি কোমগী মহুৎ নিতুনা শিল্লগনি। নুপাগী কেজি ৬৪ দা সিমরনজিৎ কোরনা লুচিংগনি। মহাক মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ ফংখিবনি।

## অনকিতা রাইনা টর্কিগী আই টি এফ ইভেন্টতা ফাইনেল চঙখ্রে

*ইষ্টানবুল, এপ্রিল ১৩ঃ*

টর্কিগী সিটি ইষ্টানবুলদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ৬০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ ৱুমেন্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইননা জেক রিপব্লিক্কী মারি বৌজকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৭–৬(৯–৭) দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌখি।

মোরোকোদা পাঙথোকপা এটিপি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমদি ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেনা ঙসি শান্নখিবা দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী জুরগেন মেলজর অমদি ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোরগী মখূত্তা ১–৬, ৬–৩, ১০–৫ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

চাইনিজ তাইপৈদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১৬২,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজি অমদি ইজরেলগী জোনাথন ইরলিকনা চাইনিজ তাইপৈগী চেং পেং সৈ অমদি ইন্দোনেসিয়াগী খৃষ্টোফর রুঙ্গকাটপু ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবগী খুদোংচাবা চাওনা লৈখ্রবা জুবেন্টস এসপিএএলগী মখূত্তা ১–২ দা মায়থিখ্রে

*রোম, এপ্রিল ১৩ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইদুনা চেম্পিয়ন ওইনবগী চাওনা খুদোংচাবা লৈখ্রবা জুবেন্টস এসপিএএলগী মখূত্তা পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী লম্বা মান্নখিবদগী মিনট ২৫ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মমাঙগী চেম্পিয়ন জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা মোইজ কিননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৪ লৈরগা এসপিএএলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা কেভিন বোনিফাজীনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈরকখ্রবা মতুং মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা এসপিএএলগী শান্নরোই সর্জিও ফ্লোক্কারিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৬ রোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা ইক্কেলাইজর ওইহনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরিবা এসপিএএলনা জুবেন্টসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টোটেনহাম হোটস্পর অমদি ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে।

টোটেনহাম হোটস্পরনা হদ্দর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি। শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ভিক্তর ৱানিয়ামানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মিনট ৩ লৈরগা টোটেনহাম হোটস্পরগী অতোপ্পা শান্নরোই লুকাস মৌরানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। ৮৭শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা লুকাস মৌরানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা মহাক্না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙম্বগা লোয়ননা হদ্দসফিল্ড টাউনবু ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদনা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লৈকেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি। মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা আয়োজে পেরেজনা চনখিবনি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইস্পানিওলনা দিপোর্টিভো অলাভেজপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

